UPSC CSE 2022 MAINS PAPER 7 SEPTEMBER 25, 2022 MANIPURI OPTIONAL PAPER-II QUESTION PAPER

# MANIPURI

## PAPER–II

## (LITERATURE)

Time Allowed : Three Hours | Maximum Marks : 250

### ৱাহংশিংগীদমক অখন্নবা ৱারোল

**পাউখুম ইদ্রিঙৈদা মখাদা পীরিবা ৱারোলশিং অসি চেকশিন্না পাগদবনি**

কাঙলূপ অনীমক (Section A and B) পূল্লগা ৱাহং নিপাল য়াওরি।

কেন্দিদেতশিংনা ৱাহংশিং অসিদগী ৱাহং মঙাগী পাউখুম পীগদবনি।

ৱাহং নম্বর **1** অমসুং **5** তি তঙাইফদনা খুমগদবনি। লেমহৌরিবা ৱাহং অহুম্না কাঙলূপ অনীমক্তগী অমমমদগী তাদনা খল্লগা পাউখুম পীগদবনি।

য়েৎথংবা লাপান্দা ইরিবা মশীংশিং অসি ৱাহংগী মার্কনি।

মণিপুরীদা (বাংলা ময়েক্তা) পাউখুম ইগদবনি।

পাউখুমগী অকক্লবা ৱাহৈ মশীং পীরম্লবদি মদু ইনগদবনি।

ইরম্লিবা পাউখুমশিং অদু মথং-মনাও নাইনা লৌগনি। শরুক খরদমক ইরম্লবসু মদু ককথৎলমদ্রবদি পাউখুম ওইনা লৌগনি। ৱাহংগা কোন্নবা পাউখুম চেদুদা (Question-cum-Answer Booklet) হাংহৌরিবা লামায়শিং অদু ময়েকশেংনা ককথৎলমগদবনি।

# MANIPURI

## PAPER–II

## (LITERATURE)

Time Allowed : Three Hours | Maximum Marks : 250

### QUESTION PAPER SPECIFIC INSTRUCTIONS

**Please read each of the following instructions carefully before attempting questions**

There are EIGHT questions divided in two Sections.

Candidate has to attempt FIVE questions in all.

Question Nos. **1** and **5** are compulsory and out of the remaining, THREE are to be attempted choosing at least ONE from each Section.

The number of marks carried by a question/part is indicated against it.

Answers must be written in MANIPURI (Bengali script).

Word limit in questions, wherever specified, should be adhered to.

Attempts of questions shall be counted in sequential order. Unless struck off, attempt of a question shall be counted even if attempted partly. Any page or portion of the page left blank in the Question-cum-Answer Booklet must be clearly struck off.

www.prepp.in
Prepp
Your Personal Exams Guide

## SECTION—A

**1.** মখাগী ৱাহংশিং অসি ৱাহৈ *150* দগী হেন্দনা খুমগদবনি : 10×5=50

(a) নাউথিংখোংনা করিগীদমক লংমাই পীতংঙাবু মাগী তালোয় ওইনা ফোংনা লৌশিনবা ঙমখিদ্রিবগী মরম ইরকউ।

(b) খ্বাই নুংজেংবম পিবানা তাউহুইরেং অহনবু তেন্না কাপথখিবগী মরম শন্দোক্লা ইরকউ।

(c) লৈশাপান্বা তৌগাইঙম্বগী লৈ নাচোমগী ৱাহৌদগী খুমন অমসুং মৈতৈ য়েক্লখিবনি হায়বদু শন্দোক্লা ইরকউ।

(d) মৈদিংঙু গরিবনিৱাজগী করম্বা লাল্লোংনা সমসোকশিংবু মায়থীবা পীখিবনো হায়বদু ইরকউ।

(e) অন্ধক মুনিগী শাপনা নিংথৌ দশরথকী মফমদা বর ওইনা থোক্লিবা অদু শন্দোক্লা ইরকউ।

**2.** ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম খুমগদবনি :

(a) 'পাম্হৌইবী খোঙ্গুল' হায়রিবা লাইরিক অদুদা য়েক্লিবা মতম অদুগী সমাজ অমসুং সংস্কৃতিগী মশক অদু শন্দোক্লা ইরকউ। 20

(b) 'চন্দ্রকীর্ত্তি জিলা চঙবা' হায়রিবা লাইরিক অসিদা মরৈবাক, মজাতি অমসুং নিংথৌগীদমক মথৱায় খূবাক্তা হাপ্তুনা মথৌনা উৎখিবা মীওই কয়াগী শক্তম য়েকই হায়বসি শুগায়না ইরকউ। 15

(c) 'সমসোক ঙম্বা' লাইরিক অসিগী অশৈবনা ইতিহাসকী থৌদোক-ৱাথোকপু সাহিত্যগী মশক্তা য়াম্না হৈ-শিংনা নীংথিজনা উত্তুনা পুথোকই হায়বসি শন্দোক্লা ইরকউ। 15

**3.** ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম খুমগদবনি :

(a) 'নুমিৎ কাপ্পা' হায়রিবা লাইরিক অসি এল্লিগোরি অমা ওইনা লৌবদা কয়া য়াম্না মায় পাক্লবা লাইরিক অমনো হায়বদু শন্দোক্লা ইরকউ। 20

(b) মতৌ করম্না নিংথৌরেল দশরথকী অনাববু মহাক্কী করম্বা তালোয়গী সেবানা ফহনখিবগে অমসুং তালোয় অদুগী মরমচৎকী মরমদা ইরকউ। 15

(c) 'নাউথিংখোং ফম্বাল কাবা' লাইরিক অসি ইতিহাসনা য়ূম্ফম ওইরগা শাগৎখিবা অশৈবগী সাহিত্যগী খূদোলনি হায়বসি শন্দোক্লা ইরকউ। 15

**4.** ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম খুমগদবনি :

(a) 'ধনঞ্জয় লাইবু নীংবা' হায়রিবা লাইরিক অসিনা মীয়ামদা পীনিংলিবা পাউজেল অদু শন্দোক্লা ইরকউ। 20

(b) খুমন নিংথৌ অদোন পুন্সিবগী করম্বা নুংগী লৌরোলনা হৈরেম খুঞ্জালদা মরাল পীশিন্দুনা লান্দাখিবনো হায়বদু মরীক চুম্না শন্দোক্লা ইরকউ। 15

(c) 'চন্দ্রকীর্ত্তি জিলা চঙবা' লাইরিক্তা য়েক্লিবা সমাজগী হৌন-লোনচৎ, লৈঙাকলোন অমদি মপান লৈবাক্কা লৈনরম্বা মরীগী মশকশিং অদু শন্দোক্লা ইরকউ। 15

www.prepp.in

Prepp
Your Personal Exams Guide

## SECTION—B

**5.** মখাগী ৱাহংশিং অসি ৱাহৈ *150* দগী হেন্দনা খুমগদবনি : 10×5=50

(*a*) 'নোঙ্গুম্লকখোদা' হায়বা শৈরেং অসি এলিজি অমা ওইনা নৈনরকউ।

(*b*) 'অরেপ্পা মরূপ' হায়রিবা দ্রামা অসিগী মরু ওইবা চরিত্র চন্দ্রসিংহ মশানা মশাবু অৱাবা তাহনজখিবনি হায়বসি শন্দোক্লা ইরকউ।

(*c*) 'মাধবী' উপন্যাসতা য়াওরিবা রাজেন্দ্র কবিরাজগী থোইদোকপা মগুণশিং অদু ইরকউ।

(*d*) 'লৌখৎপা' হায়বা ৱারীমচা অসিদা অইবা নীলবীর শাস্ত্রীনা মীয়ামদা পীনিংলিবা পাউজেল অদু শন্দোক্লা ইরকউ।

(*e*) খম্বা থোইবী শৈরেংগী 'লৈ লাংবা' হায়বা তাংকক অদুদা খম্বনা নিংথৌ অমসুং অঙম-অথৌশিংদা লৈবা ভক্তি-শ্রদ্ধাগী মশক অদু শন্দোক্লা ইরকউ।

**6.** ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম খুমগদবনি :

(*a*) 'মেট্রিক পাশ' হায়রিবা দ্রামা অসিদা অইবনা ফাগিগা লোয়ননা করেম্নবগী মশক নীংথিনা য়েক্তুনা ৱারী শাগৎলি হায়বসি নৈনদুনা ইরকউ। 20

(*b*) 'করিনুংগীনো' হায়রিবা ৱারীমচা অসিগী ফেমেল প্রোটাগোনিষ্ট থম্বালগী লমচৎকী মরমদা মরীক চুম্না ইরকউ। 15

(*c*) 'নির্জ্জনতা' হায়বা শৈরেং অসিদা কবিনা করম্বা সমাজ অমগী মশক য়েক্লবা হোৎনবগে হায়বদু শন্দোক্লা ইয়ু। 15

**7.** ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম খুমগদবনি :

(*a*) অরাম্বম দরেন্দ্রজিৎনা 'কংসবধ' কাব্যদা শীজিন্নরিবা ৱাহৈ-ৱাতা লোন অমসুং খুৎই-খুৎফোঙদোক্কী মতাংদা শন্দোক্লা ইরকউ। 20

(*b*) 'জহেরা' উপন্যাস অসিগী মেল প্রোটাগোনিষ্ট কুঞ্জোনা জহেরাবু থাঙনা থিন্দুনা হাৎখিবসি অইবনা মতমদুগী সমাজবু কিবদগী নমদুনা মহাক্কী কলম মচিন্না থিন্দুনা হাৎহনখিবনি হায়বসি মরম পীদুনা ইরকউ। 15

(*c*) 'খম্বা থোইবীগী ৱারী অমসুং মহাকাব্য' হায়বা ৱারেং অসিদা খ্বইরাকপম চাউবনা খম্বা থোইবীগী ৱারীবু করম্বা মহাকাব্যগা চাংদম্নদুনা থম্বগে হায়বদু শন্দোক্লা ইরকউ। 15

**8.** ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম খুমগদবনি :

(*a*) পোষ্টেজ ষ্টাম্প, সেক্সপিয়ারগী 'হেমলেট' নচিংবা দ্রামাগী লাইরিকশিংনা কলাগী পোৎ ওইরগা নাইয়েগ্রা ঈশিংচাইবী, সমুদ্রগী ঈথক-ঈপোম, চীংথক্তা লৈবা উন মপৈ-মপৈবুনা কলাগী ওইবা পোৎলম ওইদ্রিবগী মরম 'কলাগী মহৌশা' ৱারেংগী মতুং ইন্না ইরকউ। 20

(*b*) 'জজ্জ সাহেবকী ইমুং' দ্রামা অসিদা য়েক্লিবা আইদিয়াগী য়েৎনবা মশক অদু শন্দোক্লা ইরকউ। 15

(*c*) 'ঈম্ফাল অমসুং মাগী ঈশীং-নুঙশীৎকী ফীভম'দা উপন্যাসকারনা পুন্সিগী মরীক চুম্নবা মশক খরা হান্নগী চৎনবী খুৎইগী মশক থাদোক্তুনা পাউদমদুনা উৎলি হায়বদু শন্দোক্লা নৈনদুনা ইরকউ। 15

★★★



Prepp Your Personal Exam Guide

www.prepp.in